সিম্পোজিয়ম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী লময়ানবী নুপী অইবী তখেল্লম্বম থোইবীগী ১০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা কংলৈ নুজা হায়বা সিম্পোজিয়ম অমা পাঙথোক্লগনি হায়না কলচরেল ফোরম মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ক্ষেত্রি রাজেননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ২০২০ গী জন্যুৱারী ১ দা কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা ওল্ড এসেমব্লী রোদতা লৈবা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা তাওরেম সুনিতিবালানা ইবা শৈরেং-লাইরিক অশেংবা মরুপ ফোঙলগনি। নুপী অইবী তখেল্লম্বম থোইবীগী ১০০ শুবা কুমওনগা মরী লৈননা কংলৈ নুজা হায়বা সিম্পোজিয়ম অমসু পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী হান্নগী ভি সী প্রোফেসর নাওরেম খগেন্দ্র অমসুং কলচরেল ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর হুইরেম বিহারীনা থৌরম মপু ওইগনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসোসিএট প্রোফেসর কোইজম শান্তিবালানা মণিপুরী নুপীশিংনা খুন্নাইদা লৌরিবা থৌদাং হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংগনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসোসিএট প্রোফেসর ডা. চিংলেন মাইস্নামনা মণিপুরী নুপীশিংনা খুন্নাইগী শেন্মীৎলোন্দা লৌরিবা থৌদাং হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

গান-ঙাই সেলেব্রেসন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): স্টেট লেভেল কবুই গান-ঙাই সেলেব্রেসন ২০২০ শওন্নুং কবুই খুঞ্জাওদা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর কবুই য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি জেনরেল লনবোই কবুইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ২০২০ গী জন্যুৱারী ৮ দা কবুই খুঞ্জাওদা স্টেট লেভেল গান-ঙাই থৌরম মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হৌদোক্লগনি। মণিপুর কবুই য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ডা. হিরা কবুইনা থৌরম মপু ওইগনি। ত্রাইবেল এফেয়রস মিনিষ্টর কায়িসি, এম এল এ, কে এস ঐচ বিরেননা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি। কবুইশিংগী চহী ১ গী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ গান-ঙাইগী থৌরম অসিদা ফুরুপ খুদিংমক্না শরুক য়াবীয়ু। হন্দক্কী গান-ঙাইগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন্দি কবুই ফুরুপকী গান-ঙাই কুম্মৈ মণিপুরগী অপূনবা নাৎকী শক্তম অমনি হায়বা অসিনা ওইগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

কেলেন্দর ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): লৈশেম্বা খুন্থোকপা অহানবা, লিক্লম-লিখুন লীবা লূপকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা অচন্বা থৌরমদা লূপ অসিগী লুচিংপুরেল পুকোক চাওবা অমদি লিক্লম দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা কেলেন্দর ফোঙখ্রে হায়না লূপ অসিগী পুকোক চাওবা খুমননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। কেলেন্দর অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোলদি খুন্নাই অসিগী অরুবা, অরিবা লাইফম্লেনশিংবু মশক খঙদোকপগা লোয়ননা মীয়ামদা মশক তাকপা অমদি লিক্লমগী তৌবা ঙম্বশিং উৎথোকপা হায়বা অসিনি। থৌরম অসিদা লূপ অসিগী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

মাইবী অশুপ্পী বারুনি লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর পন্দিত লোয়শঙগী মাইবী অশুপ্পী বারুনি লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না মণিপুর পন্দিত লোয়শঙগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুর পন্দিত লোয়শঙগী মাইবী লোয়শঙদা মাইবী অশুপ্পী ওইরম্বী লাইশ্রম নিংঙোল বারুনি মাইবী থা অসিগী ২৫ দা মশাগী য়ুম থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায়দা লৈখিদ্রে। মাইবী অশুপ্পী বারুনিনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা মণিপুর পন্দিত লোয়শঙনা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। ইমা অসিনা নাৎকী চৎনবী কয়া উমংলাই হরাওবনচিংবা কয়াদা লৈবাক্কীদমক চাউখৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনরম্মী। মহাক মশাগী চহী ১০৪ শুখ্রে। ইমা অসিনা লৈখিদবা অসি মহুৎ শীনবা ঙম্লরোইদবা অমনি। ইমা অসিগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈবা ওইনবা তাইবং মপুগী মফমদা থৌনিজখি হায়নসু পন্দিত লোয়শঙগী চেরোলদুনা মখা তারি।

ৱাখল লৌশিং তানশিন্দুনা খুন্নাইগী ফনবা থৌদাং লৌমিন্নসি : টি ঐচ রাধেশ্যাম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): ৱাখল লৌশিং তানশিন্দুনা খুন্নাইগী ফনবা হোৎনবদা থৌদাং লৌমিন্নবা তঙাইফদে হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা ঙসি মণিপুর ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী হোলদা পাঙথোকখিবা ফেলিসিটেসন সেরিমোনিদা ফোঙদোকখ্রে।

এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ডা. থোকচোম রাধেশ্যামদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিভর্সিটি ওফ ব্রস্কো দিষ্ট্রিক্ট বোসনিয়া এন্দ হার্জেগোভিনানা দিগ্রী ওফ ডোক্টোরেট ওফ সাইন্স ইন পোলিটিকেল সাইন্স পীরকপদা ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা দিপার্টমেন্ট ওফ এদ্যুকেসন, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমদি মণিপুর ইন্টরনেসনল য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ফেলিসিটেসন সেরিমোনি অদুদা ৱা ঙাংলদুনা টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়খি, হীরম কয়াদা ৱাখল লৌশিং লৈরবশিংনা ইমা লৈবাক্কী য়াইফনবা হোৎনবদা থৌদাং লৌবা চঙই। ফংলুরিবা ৱাখল লৌশিং কয়া অদু খুন্নাইগী য়াইফগদবা হীরমদা শীজিন্নদুনা অফবা নুংঙাইবা মণিপুর ওইহনসি। চাউখৎপদা মাঙজিল থাবা মণিপুর অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্না অঙম্বা কন্ট্রিব্যুসনশিং পীবা চঙই। লমদমসিদা লৈরিবা ঐখোয় খুদিংমক্না খুন্নাই অসিবু চাউখৎ-লমজেলদা মাঙ থাহন্নবগীদমক হোৎনমিন্নবা চঙই। মণিপুর অসি সনা লৈবাকনি হায়না শীংথানরল্লিবনি। সনা লৈবাক অসিগী চপ চাবা ৱাহন্থোক অদু লৈহন্দুনা নুংঙাইবা লমদম ওইহল্লসি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিভর্সিটি ওফ ব্রস্কো দিষ্ট্রিক্ট বোসনিয়া এন্দ হার্জেগোভিয়ানানা ডোক্টোরেট দিগ্রী পীরকপা অসিদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি। দিপার্টমেন্ট ওফ এদ্যুকেসন অমদি মণিপুর ইন্টরনেসনল য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা তরাম্না ওকপীবা অসিদা নুংঙাইবা ফাওই। মহৈ-মশিনগী লমদা মাঙজিল থাবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হান্নগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর ঐচ নন্দকুমারনা হায়খি, ষ্টেট অসিগী এদেদ কোলেজ কয়া গভর্ণমেন্ট কোলেজ ওইনা ওনখৎতুনা হায়র এদ্যুকেসনগী লমদা চাউখৎনবা হোৎনরক্লিবা কয়া অসি পূর্ক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওই। গ্লোবেলাইজেসনগী মতুংইন্না লাক্লিবা অহোংবা কয়া অসিদা ঐখোয়সু শরুক য়াবা ঙম্নবা হোৎনবা চঙই। মালেমগী ওইনা মহৈ-মশিনগী লমদা লাক্লিবা লমজেল অসিসু খঙমিন্নবা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি। থৌরমদুদা এম আই য়ুগী ডা. হরিকুমারনা প্রসিদেন্ট ওইখি।

নিংথম কুম্মৈ শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল - তরুক্নি চনবা

নিংথম কুম্মৈ শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলদা *নুংশিবগী মচু* উৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা শীন্দুনা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা চথরকপা ১৬ শুবা নিংথম কুম্মৈ শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলগী ঙসি তরুকনি চনবদা ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী *নুংশিবগী মচু* হায়না মিংথোনবা লীলা উৎখ্রে।

শুমাং লীলা ফোর হ্যুমেনিটি হায়বা থীমদা পাঙথোকপা শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলগী তরুকনি চনবদা উৎখিবা *নুংশিবগী মচু* হায়রিবা লীলা অসিগী অইবনা ওক্রম কুঞ্জোনি। গীৎচন্দ্র চোংথাম, খেকমন দেবাননা এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওইবনি।

লীলা অসিগী শল্লপ্পা ৱারীদা অশেংবা নুংশিবদি মাঙবা নাইদে। লাইবক ফবা কন্নানা থম্মোয়না খোয়দাবা মহাক্তুগা পুন্সি খোঙলোই ওইবা ফংজে। অদুবু নুংশিবা খুদিংমক থুংনগনি হায়বা লৈতে। লাইবক থীবা কনাদি নুংশি হায়না ফোঙদোক্লুবা মীকুপতুদা থম্মোয় কায়না লৈহৌবসু য়াওই। লনচেনবগী লাইবকসু মদুমক্লি। মহাক্লা থম্মোয় শেংনা নুংশিজবী লাংলেননদি মহাকপু পুন্সি খোংলোই ওইমিন্নগে হায়না খন্দে। লাংলেন্না পুন্সি খোংলোই ওইগে খল্লিবা মীশক্তুদি লনচেনবা নত্তে। মখোয় অনী নুংশিনা লুনা তীন্নবা মরুপনি। লনচেনবা মথন্তনা লাংলেনবু নুংশিরুবনি। লাংলেননদি মহাকপু মরুপ ওইনা ইচম চম্না খল্লম্বনি। লাংলেন মহাক্লা পামজবা মীশক অমগা পুন্সি লৈপুন শেমখি। অদুবু লনচেনবগী থম্মোয়দদি লাংলেনবু খক কাউবা ঙমখিদে। লাংলেনবু নুংশিবদি মুৎপা নাইদবা মৈরিগুম লেংদনা লৈহৌখি। অদুবু মহাক্কী নুংশিবদি মীঙোন্দা য়েৎনবা নত্তে। পুন্সি তাঙ্কক অমদা ফাওখিবা নুংশিবদু অতোপ্পা তাঙ্কক অমদসু অদুম্মক লেংদনা লৈরি। হোংলিবদি নুংশিবগী মচুদুনি, নুংশিবগী মশক্তুনি, নুংশিবদি লেংদবনি।

লীলা অসিদা শক্তম লাংলিবশিংদি, নুপাদা সনাজাওবদা চিংলেন থিয়াম, তোলেনদা খেকমন দেবান, থেকোদা রতন খেকমন, জেকিদা তোনি অকোইজম, চাওথোইদা গীৎচন্দ্র চোংথাম, মৈরাবদা ওকেন থৌদাম, লনচেনবদা সুর অথোকপমনি। নুপীদা নুংশিথোইদা টি ঐচ সুরচান্দ, লাংলেনদা হিরামোতি, তাম্না বিদ্যাসাগর লাইশ্রমনি।

আই এল পিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরদা চেরোল পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): বেঙ্গোল ইষ্টর্নফ্রন্টিয়র রেগ্যুলেসন (আই এল পি সিষ্টম)গী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরদা চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়না ফেদরেসন ওফ হাওমিগী সেক্রেটরি জেনরেল য়াজিংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ফেদরেসন ওফ হাওমিনা চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা য়াওরিবা মপুং ওইবা ৱাফমশিংদি মণিপুর মীয়াম্না ইরমদমগী য়েলহৌমীবু মাইগ্রেন্টশিংদগী কঞ্জনবা চহী ৩০ চুপ্পা মণিপুরদা আই এল পি সিষ্টম চৎনহন্না দিমান্দ তৌরকপা অদু বি জে পি লৈঙাক্না মণিপুর মীয়ামদা খুদোল তন্লে। মসিমক তুংলমচৎনা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি। সিষ্টম অসিদা য়েলহৌমী কন্নবা প্রাইম মিনিষ্টরনা থমখিবা ৱাফম অদু ফুল ফিল ওইহন্নবা অশেংবা ইরমদমসিগী য়েলহৌমী মশক তাকফম থোকই। য়েলহৌমী দিফাইন্দ তৌদনা য়েলহৌমী করম্না কনগদৌরিবনো। সিষ্টম অসিনা সেদ্যুল ট্রাইব অমদি সেদ্যুল কাষ্ট লিষ্টতা হান্ননা য়াওশিনখ্রবা মীতোপশিং অদু নেটিভ পিপল দিফিনিসনগা খেন্নবনা ইন্দিজিনসনি হায়না লৌবা লানগনি। মখোয় মণিপুরদা লৈদুনা মণিপুর পিপল নৎত্রগা সিটিজন ওফ ইন্দিয়া ওইবনি লৌই। য়েলহৌমী চুম্না দিফাইন্দ তৌরগদি মদুগী অৱাবা লৈররোই।

ইন্দিজিনস চুম্না দিফাইন্দ তৌরগদি বেজ ইয়ারগীসু মথৌ তাদে। মরম অসিনা সেন্টরদা পাল্লিবা বি জে পিনা মসিমক কুপ্না খঙবীদুনা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী ঙাক্লো পীরকপনি হায়বদা লাল্লোই। সিষ্টম অসি মণিপুরদা চৎননবা শেম্বদা হান্না চৎনদুনা লৈরিবা অরুনাচল প্রদেশ, মিজোরাম অমদি নাগালেন্দদা কান্নবা পীরিবা বিজিনেস সেক্তর, ইমপ্লোয়মেন্ট সেক্তর, এদ্যুকেসন সেক্তর, লেন্দ এন্দ রেভিন্যু সেক্তরবু চিখদনা য়াওহনগদবনি। সিষ্টম অসি ষ্টেট লৈঙাক্লা মতম মতমগী এমেন্দমেন্ট তৌবা য়াবনা খুদক্তা চৎনহন্নবা ইমপ্লিমেন্ট তৌবা য়াই। লৈঙাক্লা মথৌ তাবা মতমদা ফেদরেসন ওফ হাওমিনা মতম পুম্বদা মতেং পাংনবগী লেপ্লি। মৈহৌরোলদগী য়েক-সলাই লৈরবা ফুরুপশিং হায়বদি লাকফম লৈতবা অমদি চৎফম লৈতবশিংনা অশেংবা য়েলহৌমীনি। মণিপুরদা বেঙ্গোল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগ্যুলেসন সিষ্টম থা অসিগী ১১ দা চৎনহন্নবা ৱারেপ লৌরকপা অসিগীদমক ফেদরেসন ওফ হাওমিনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়রি।

অমুবনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): খাঙবোক পার্ট থ্রী মখা লৈকায়দা লৈবা সাইখোম অমুবা, অপোকপা লৈখিদ্রবা এস য়াইমা মীয়াম্না ওজা অমুবা হায়রগা খঙনবা ওজা অসিনা থা অসিগী ২২দা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না পোপ্যুলর য়ুথ ক্লব, ষ্টেন্দর্দ এদ্যুকেসন ভলন্টরি এসোসিএসন, য়ুনাইটেদ য়ুথ ক্লব, রাইজিং য়ুনিয়ন ক্লবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ওজা অসি মশাগী চহী ৮৪ শুখ্রে। মহাক্কী লোয়নবী, মচানুপা অমদি মচানুপী মঙা থল্লম্মী। লৈখিদ্রবা ওজা অমুবনা হিংলিঙৈ মতমদা ৱাংবল বোইজ এন্দ গার্লস প্রাইমারী স্কুলদা ওজা ওইরম্মী। খাঙবোক ভিলেজদা এদ্যুকেসনগী লমদা থোইদোক-হেন্দোকপা কয়া তৌরম্মী। খাঙবোক পার্ট টু মৈস্নাম লৈকায়দা লৈবা অমুবা হায় স্কুল খাঙবোক, গভর্ণমেন্ট এদেদ স্কুল অসি কুমজা ১৯৮৮ তা লিংখৎলমখি। লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংবু তাকপী-তম্বীবদা কথোকপগা লোয়ননা হোৎনরমখি। এদ্যুকেসনগী লম খক্তা নত্তনা খুল অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা চাউখৎ-থৌরাং কয়াদা মতেং পাংলম্মী হায়রি।

কলচরেল প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭: স্বাছতা এক্সন প্লান, ১৫০ ইয়ার ওফ মহাত্মা গান্ধী, স্বাছ ভারত মিসনগী মতাংদা কলচরেল প্রোগ্রামশিং পাঙথোকখ্রে হায়না মোনালিসা আর্ট এন্দ কলচর এসোসিএসনগী ক্রূপ লিদর সোমরেন্দ্রনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। রিজনল আউটরিচ ব্যুরো ইম্ফাল, মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংগী প্রাইভেট রেজিষ্ট্রর ক্রূপ মোনালিসা আর্ট এন্দ কলচর এসোসিএসন্না থা অসিগী ২৩ অমসুং ২৪ দা আই এম সীগী মেয়র অমসুং এফ ও ইম্ফালগী লমজিং মখাদা ইম্ফাল ইষ্টকী মফম কয়াদা পাঙথোকখি হায়রি।

‘মাষ্টররোল, ৱার্ক চার্জশিং তোলোপ পীবীদ্রে, খোঙজং চথখিগনি’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্টতা রেগ্যুলর ইমপ্লোয়ী অমগুম থবক তৌরিবা মাষ্টররোল অমদি ৱার্ক চাজশিং চহীসিগী মে থাদগী হৌজিক ফাওবা থা ৮গী তোলোপ মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী ওথোরিটিশিং অমদি লৈঙাক্লা পীবীদ্রে, খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়না ওল মণিপুর ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্ট ইমপ্লোয়ী ৱার্কর ওর্গনাইজেসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এন মুহিন্দ্রোনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হীরম অসিগা মরী লৈননা ওথোরিটিশিংদা কয়ারক হন্না হায়জদুনা লাক্লি। থা ৮ গী খুৎশুমল অমদি মতম কুইনা ৱারক্লবা মাষ্টররোল অমদি ৱার্ক চাজশিং রেগ্যুলরাইজেসন তৌবীয়ু অমসুং থা খুদিংগী তোলোপ ফংবা য়ানবা ফন্দ ইয়ার মার্ক তৌদুনা থম্বীয়ু হায়বা দিমান্দশিং কয়ারক হন্না হায়দুনা লাক্লি। দিপার্টমেন্ট অসিদা থবক তৌরিবা মাষ্টররোল, ৱার্ক চার্জ অমদি হোম গার্দশিংগী অপূনবা এপেক্স বোদি ওইরিবা ওল মণিপুর ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্ট ইমপ্লোয়ী এন্দ ৱার্কর ওর্গনাইজেসন্না সিট ইন প্রোটেষ্ট চথখি। লৈঙাক্তা হায়জবা অসি উবীদ্রবদি মখা তানা চথখিগনি হায়রি।

কোর্স ওন কম্প্যুটর কন্সেপ্টকী ট্রেনিং হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (নৈলিট), ইম্ফাল অমদি ৱেলফেয়র এসোসিএসন ফোর ব্লাইন্দ তাকয়েলনা খুৎশম্ননা শীন্দুনা থা ৩ চুপ্পা চথগদবা ট্রেনিং ওফ ভিজুএল্লি ইম্পেয়র পর্সনস ইন মণিপুর ওন কোর্স ওফ কম্প্যুটর কন্সেপ্ট এন্দ সোফ্ট স্কিল ঙসি হৌদোকখ্রে।

তাকয়েলদা লৈবা ৱেলফেয়র এসোসিএসন ফোর ব্লাইন্দগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং হৌদোকপগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা নৈলিটকী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর টি ঐচ প্রামেশ্বরনা হায়খি, ভিজুএল্লি ইম্পেয়রশিংগীদমক অসিগুম্বা ট্রেনিং অসি পাঙথোকপনি। নৈলিটনা কম্প্যুটরনচিংবা পুরক্লগা ট্রেনিং অসি তৌবনি। কম্প্যুটর থম্নবা টেবলনচিংবসু শেম-শাবনি। ভিজুএল্লি ইম্পেয়রশিংবু কম্প্যুটর নীংথিনা তম্বীদুনা মশানা মশাবু থবক পীজবা য়ানবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা পাঙথোকপনি। সোসল ৱেলফেয়রগী দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরনা মীৎয়েং চঙবীদুনা কোর্স ওন কম্প্যুটর কন্সেপ্টকী লাইরিক অসি ব্রেল ময়েক্তা পুথোকপীরে। মসিনা ট্রেনিং অসিদা শরুক য়াগদৌরিবশিংনা খুদোংচারগনি। দিফরেন্টলি এবল্দশিংবু ইম্পৱার তৌবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। আই আই টি গুৱাহাতিদগী ওজা অমসু কোর্স অসি হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারি। নৈলিটকী মায়কৈদগী অসিগুম্বা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি। কম্প্যুটরগী ৱাখল-লৌশিং নীংথিনা লৈহন্দুনা মশানা মশাবু থবক পীজনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইহনবা পাম্মী হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা নৈলিটকী এদিসনল দিরেক্টর ৱাই সুভাসচন্দ্রনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। আই আই টি গুৱাহাতিগী এসোসিয়েট প্রোফেসর সনসম রনবির অমদি এম বি সী দল্লিয়ু দল্লিয়ু বি, দিপার্টমেন্ট ওফ লেবরগী মেম্বর মুতুম শান্তিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

আই পি আর মিনিষ্টরনা ৱাল কেলেন্দর, দাইরি ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি আই পি আর)গী ৱাল কেলেন্দর অমদি দাইরি ঙসি আই পি আর মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা ফোঙখ্রে।

সেক্রেটেরিয়টতা লৈবা আই পি আর মিনিষ্টরগী ওফিস কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা কেলেন্দর অমদি মণিপুর দাইরি ২০২০ ফোঙখিবনি। মণিপুর ৱাল কেলেন্দর অমদি মণিপুর দাইরি ২০২০ থা অসিগী ৩০ দগী দি আই পি আর কৈশাম্পাৎ ওফিসতগী মীয়ামদা ফংহল্লগনি। মমলনা ৱাল কেলেন্দরগী ওইনা লুপা ৯০ অমদি দাইরিগী ওইনা লুপা ১৮০ নি। দাইরি অমদি কেলেন্দর মতম চানা ফোঙবগীদমক আই পি আর মিনিষ্টরনা ওফিসলশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা আই পি আর মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর লৈঙাক্কী পোলিসী অমদি প্রোগ্রাম কয়া কেলেন্দর অসিদা য়াওরি। ষ্টেটকী প্রোফাইল কয়াসু য়াওরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা আই পি আরগী দিরেক্টর ঐচ বালকৃষ্ণ, অন্দর সেক্রেটরি এ হিরা, দেপ্যুটি দিরেক্টর টি রামেশ অমদি মেনেজর পব্লিকেসন স্নেপ্রভাসু শরুক য়াখি।

লৌফম কনসি হায়না য়ানখ্রবা রুলশিং ভাইওলেট তৌবা য়ারোই হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম থাগৎলি : লৌসাল

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): লৌফম কনসি হায়না য়ানখ্রবা রুলশিং ভাইওলেট তৌবা য়ারোইহায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম লৌমী-শিন্মী অপূন লূপ (লৌসাল) মণিপুরনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না লৌসালগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রোনেক্স খাবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কৈরাওদা লৈবা খেঞ্জোংলাং ঠিএটর কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ২৪দা নোর্থ ইষ্টতা লৈবা নুপী দিরেক্টরশিংনা শরুক য়াদুনা নুপী ড্রামা ফেষ্টিভেল হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা চীফ মিনিষ্টরনা লৈঙাক্লা শেম্বা লো ওফিসলশিংনা ভাইওলেট তৌবা হৌনদে। মিনিষ্টর ওইসনু, এম এল এ ওইসনু লৌফম কনসি হায়না য়ানখ্রবা রুলশিং ভাইওলেট তৌবা য়ারোই হায়না ফোঙদোকখিবা অদু থাগৎলি। লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লিবা মীশিং অমদি চীঙাক্কী মমলগী লুরবা তানফম অসিনা পীরকপা শাফু অসি কোকহনবা ঙম্নবগীদমক ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী তুং কোয়দবা থৌওং চথবা, মতম কয়াগী মমাঙদগী লমদমসিদা লাক্লি। ঙসিদি চীঙাক্কী মতাংদা খম-থেংনা লায়রবা হায়বদু ওইরক্লে। পোথোক পুথোক্কদবা লৌফম লৈশিল্লক্তবা, ঈথৈ-লৌখোং ফজনা শেম্মীদবদগী লৌমীশিং থবক শুফম খঙলক্তবা ফীভম অমদা লাক্লি। লায়রবদা খম-থেংবা চাবা ফংদবা হায়বগী থাক্তা লাক্লি। লমদমসিদা লোকপা ফৌ পোইনু মতমসিদা কেজিদা লুপা ৫০ পীরি। মসিনা মরম ওইরগা লায়রবা নোংমগী শুরগা চারা তানবা মীওইশিংনা হিংবদা অচৌবা চৈথেং পীরি। তুংগী মীরোলগীদমক লৌফম কনবা হায়বা পান্দমদা লৌফম কনসি হায়বা খোল্লাও লৌসালনা লাউদুনা লাকপগী মহৈ ওইনা কঞ্জার্ভেসন ওফ পেদিলেন্দ এন্দ ৱেটলেন্দ এক্ট ২০১৮ পাস তৌদুনা এক্ট ওইনা চৎনবা হৌখ্রে।

লৈঙাক অসিগী চীফ মিনিষ্টরনা চীফ গেষ্ট ওইরগা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর, রেভিন্যু মিনিষ্টর য়াওনা কুমজা ২০১৭ গী জুন ২১ দা এক্ট অসিগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখি। মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌরিবা লৌসালনা নুংঙাইখি। এক্ট অসি পাস তৌখ্রবা মতুংদসু লৌ উবা য়াবা লৌফমশিং মাঙহনবগী থবক্তি ঙসি ফাওবা লেপ্পা লৈতনা ঐখোয়গী মীৎমাংদা উরি। লৌফমদা চাউরবা স্কুল, কোলেজ, হাউসিং কমপ্লেক্স, হোস্পিটাল, চেক্কোন, ওফিসনচিংবা শাজিনবা লেপত্রি। থৌওংশিং অসিগী মথক্তা এক্ট অসিদা প্রোভিজন অমা হাপচিন্দুনা হোস্পিটাল, সোপিং মোল অমদি ওইল পম্প লৌফমদা শাবা য়ারগনি হায়রকপসি লৈঙাক অসিনা চীন্দা অমা ঙাংবা, থবক অমা তৌরকপগী মওংনি হায়না লৌদবা ঙল্লোই। এক্ট চৎনবা হৌখ্রবা হৌখিবা চহী কয়া অসিদা লৌফম মাঙহনবগী থৌওংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎতুনা চৈরাক পীবা অমত্তা য়াওখিদ্রি। এক্সন লৌবগী মহুৎতা প্রোভিজন অমা হাপচিন্দুনা সোপিং মোল, হোস্পিটাল অমদি ওইল পম্পনচিংবা শাবা য়াবগী অয়াবা পীরক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং খুৎয়েক পীননবগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্র

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): মণিপুরী গেষ্ট হাউস অমা মন্দলেদা শানবগীদমক ইন্দো-ম্যান্মার এসোসিএসন (আই এম এ)গী টিম অমা বোর্দ ওফ ট্রষ্টি জগা মোহন মন্দিরা মন্দলেগা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং খুৎয়েক পীননবগীদমক থা অসিগী ২৫ দা ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট এস ঐচ শামুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ইন্দো-ম্যান্মার এসোসিএসন্না ইনভাইট তৌদুনা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল য়েংননবা মন্দলেদগী বোর্দ ওফ ট্রষ্টি জগা মোহন মন্দিরা মন্দলেগী টিম অমা বোর্দ অসিগী প্রসিদেন্ট জয়র জাওনা লুচিংদুনা ইম্ফালদা লাক্লমখি। মদুদা মণিপুরী গেষ্ট হাউস অমা মন্দলেদা শানবা ৱারী শানবদা বোর্দ অসিগী লাই কম্মিটিগী লৈজবা লম খরা পীগনি হায়না থাজবা পীরমখি। ইন্দো-ম্যান্মারগী এসোসিএসনগী টিম অমা মন্দলেদা গেষ্ট হাউস শানবগীদমক বোর্দ ওফ ট্রষ্টি জগা মোহন মন্দিরা মন্দলেগা এম ও য়ু খুৎয়েক পীননবগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি। গেষ্ট হাউস অসি শারবদি মণিপুরদগী মন্দলে চৎপা মতমদা হোটেলদা শেল তীংদুনা অৱাবা মায়োক্লরিবা অদু কোকপা ঙম্লগনি। গেষ্ট হাউস অসিদা লৈরবদি মদুগী অৱাবা অদু খরমখৈদি কোকপা ঙম্লগনি। ম্যান্মারদা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা নাৎকী ওইবা জগোয়-ঈশৈ, শান্ন-খোৎনবা অমদি ট্যুরিজমগী লমদা খরমখৈদি খুম্মাং চাউশিনবা ঙম্লগনি। অসিগুম্বা গেষ্ট হাউস শাবদা মণিপুর লৈঙাক্কী অঙম-অথৌশিং অমদি মীয়াম্না সপোর্ট তৌবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

অয়াংলৈমা কবোক চাইবা থৌরম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): ৱাকচিংগী নোংমা পানবদগী হৌরগা কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ১০ ৱাকচিংগী থানিল ফাওবা সনা কৈথেলদা সনা কোনুংগী মশিল অমা ওইরিবা অয়াংলৈমা কবোক চাইবা থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি লাইশ্রম পোরৈতোননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, চহী খুদিংগী পাঙথোকপা থৌরম অসি অয়ুক্তা সনা কোনুংদগী অমাইবা-অমাইবীশিংনা সনা কৈথেলদা খোঙলেংদুনা পাঙথোক্কনি। পাঙথোক্কদৌরিবা সনা কোনুংগী মশিল অসি সনা কৈথেল ফম্বীশিং, ইমাশিং অমদি মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু। থৌরম অসি মপুং ফাহনবীয়ু হায়নসু মখা তারি।

GOVERNMENT OF MANIPUR.
PUBLIC HEALTH ENGINEERING DEPARTMENT

NOTIFICATION
Imphal, the 26th December, 2019

No.CE/PHE/1-289/2019/ 2752 : In pursuance of Secretariat PHE Department letter No.3/4/2017-PHE(Pt) dated 23rd December, 2019 conveying the filling up of additional 60(sixty) posts (LDC-31 posts & Peon- 29 posts) on the ongoing recruitment process notified vide Notification No. CE/PHE/1-289/2019/1994 dated, 7th October, 2019, the recruitment for the following posts have been revised accordingly as shown below.

Sl. No.	Name of posts	Pay scale	Group	No. of Posts	UR	OBC	ST	SC
1.	L.D.C.	PB 5200-20200 + GP 2000	C	42+31=73	38	9(M) 3(MP)	22	1
2.	Driver	PB 5200-20200 + GP 1900	C	15	9	2(M)	4	-
3.	Jr. Supervisor	PB 5200-20200 + GP 1900	C	30	17	3(M) 1(MP)	9	-
4.	Fitter Grade – II	PB 5200-20200 + GP 1900	C	3	3	-	-	-
5.	Asst. Engine Operator	PB 4440-7440 + GP 1650	D	31	17	4(M) 1(MP)	9	-
6.	Barkandaz	PB 4440-7440 + GP 1650	D	5	4	-	1	-
7.	Sweeper	PB 4440-7440 + GP 1650	D	13	7	2(M)	4	-
8.	Peon	PB 4440-7440 + GP 1650	D	15+29=44	24	6(M) 1(MP)	13	-

2) Reservation of posts for person with disability (PwD)

Sl. No.	Name of Post	Type of Disability	Remarks
1.	LDC	1(one) post for Hearing Impairment 1(one) post for Locomotive Palsy (Horizontal Reservation)	Terms & Condition as per existing Government rules.
2.	Peon	1(one) post for Hearing Impairment (Horizontal Reservation)	

-/Sd H. Sunil Singh
Chief Engineer ,PHED,
Govt. of Manipur.

HL-B/5919/28,30

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)

SANGAI TUTORIAL

Kwakeithel near Imphal College,Imphal

ADMISSION OPEN

REVISION COURSE for

CLASS -XII Sc. (COHSEM) & CLASS -X(BOSEM)

4th Nov. 2019 (4:00/4:30 p.m. - 7:30)

5th Dec. 2019 (3:30 p.m. - 7:30)

HSE Result 2019

19th POSITION HSE 2019

Rakesh Ningthoujam

FOUNDATION COURSE for

CLASS -X(BOSEM)

9th Dec. 2019 (4:30 p.m. - 7:30)

HSLC Examination Result 2019 at a GLANCE

13th POSITION HSLC 2019 Nongmaithem Zeno

17th POSITION HSLC 2019 Jessica Wahengbam

23rd POSITION HSLC 2019 Kahajam Jaya Devi

24th POSITION HSLC 2019 Rushely Laishram

Faculties :

Former Head Examiner, Assitant Head Examiner, Co-ordinator, Board Examiner and Lecturers from reputed Higher Secondary School.

Special features :

- Mock-Test Series (Sunday and provide four Question Set for each subject).
- We provide printed probable questions and answers.
- Hostel/Boarding for Boys &Girls.
- Van Services

Form available at 'Sangai Hostel' kwakeithel Ningthemkol

Contact : 8413855751

HL-B/4082/14 oct. - 1 nov.